# পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই ১৩০ রোম ইন্দিয়াদা তম্মগা লৈ : য়ু এস কোংগ্রেস্সেল রিপোর্ট

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২১ ঃ

পাকিস্তাননা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশীং ১১০ দগী ১৩০ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা ওনশিন্দুনা লৈ হায়না খ্বাইদগী নৌবা য়ু এস কোংগ্রেসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী মায়োক্তা অকন-অরিং শিংবগী থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদনবগীদমক্তা পাকিস্তাননা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং অদু ইন্দিয়াদা এইম তৌদুনা থম্লিবনি হায়রি।

ইস্লামাবাদকী "মপুং ফাবা স্পেক্ট্রম দিটরেন্স" থম্বগী দোক্ট্রিননা সাউথ এসিয়াগী য়ুমথংনবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ন্যুক্লিয়র লাল থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথীবা হেনগৎহল্লে হায়নসু রিপোর্ট অদুনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

"পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশীং চাউরাক্লা ১১০ দগী ১৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈরম্বা য়াই হায়না পায়, ৱারহেদ মশীং মসিদগী হেল্লম্বসু য়াই। ইস্লামাবাদনা ফিসাইল মেটরিয়লশিং লেপ্তুনা পুথোকপনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং শাবগী ফেসিলিটিশিংসু হেনগৎলকই, অহেনবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অমসুং অনৌবা মখলগী দেলিভরি ভেহিক্লশিং দিপ্লোই তৌরকই হায়না কোংগ্রেস রিছার্চ সার্ভিস (সী আর এস)কী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট অদুনা হায়রি।

লমায় ২৮ পানবা সী আর এসকী রিপোর্ট অদুনা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পুক্কে অদু মরু ওইনা ইন্দিয়াবু লৈবাক অদুগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপা ঙমদনবগী মওংদা দিজাইন তৌবনি। তৌইগুম্বসুং ইস্লামাবাদনা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মশীং য়ামখৎহনবা, অনৌবা মখলগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং শারকপা অমসুং "ফুল স্পেক্ট্রম দিটরেন্স" কৌবা দোক্ট্রিন অমা চৎনহন্নবা হোৎনরকপনা ওবজার্ভর খরদি পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা ন্যুক্লিয়র লাল থোরকপা য়াবগী খুদোংথীবগী চাং ৱাংখৎহল্লে হায়না ফোঙদোক্লে। পাকিস্তানদা নৎতনা য়ুমলোন্নবা ইন্দিয়াসু ন্যুক্লিয়র খুৎলাই মশীং লেপ্তুনা য়ামখৎহল্লিবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

সী আর এস অসি য়ু এস কোংগ্রেসকী নিংখা তৌনা থবক তৌবা রিছার্চৰিং অমনি। মসিনা লোমেকরশিংবু মখল মখা কয়াগী ইসুশিংগী মরমদা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙম্নবা মশক নাইবা এক্সপার্টশিংবু মতম মতমগী ওইনা রিপোর্টশিং শেম শাহল্লি।

সী আর এসকী রিপোর্টশিং অসি য়ু এসকী কোংগ্রেসকী ওফিসল ওইবা মীৎয়েংনি হায়নদি লৌনদে।

হন্দক চহী খরা অসিদা পাকিস্তাননা মসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিংগী সিক্যুরিটিদা মালেমগী লৈবাকশিংগী থাজবা হেনগৎনবা খোঙথাং খর লৌখৎখ্রে হায়না পোল কে কর অমসুং মেরি বেথ নিকিটিননা পীবা সী আর এসকী রিপোর্ট অদুনা হায়খি। কুমজা ২০০৪ দা হান্নগী পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট এ ক্যু খাননা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শাবগা মরী লৈনবা মচাক মথুম কয়া ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা থাদোক্লবা লৌননবা নেটৱার্ক অমা রন তৌই হায়বা খঙনখিবগা ইরোয়ননা ইস্লামাবাদনা মসিগী ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটিফগৎনবা অমসুং ন্যুক্লিয়রগা মরী লৈনবা টেক্নোলোজিশিং অমসুং মেটরিয়েলশিং মখা তানা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা চাইথোরকপা থিংননবা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎলে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লগা এক্সপোর্ট কন্ট্রোল লোশিং, পার্সনেল সিক্যুরিটি ফগৎহনবা অমসুং ইন্টরনেসনেল ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটি কোওপরেসন প্রোগ্রামশিং অসিনা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র সিক্যুরিটি ফগৎহল্লে হায়না সী আর এসনা ফোঙদোকখি।

"অদুম ওইনমক পাকিস্তানদা মরা চেৎপা ফীভম লৈতবনা অসিগুম্বা রিফোর্মশিং অসি কয়াম শাংনা, কদায় ফাওবা চৎনগদগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই।

তৌইগুম্বসুং ওবজার্ভর খরনা অমুক পাকিস্তানি গভর্ণমেন্টবু পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্স পান্নবা পৱার পায়বা পার্সনলে কাঙবুনা পায়শিনখিগদ্রা নৎত্রগা মখোয়না ন্যুক্লিয়রগী মচাক মথুমশিং নৎত্রগা টেক্নোলোজি থৈদোকখিগদ্রা হায়বগী অকিবসু ফোঙদোক্লে হায়না সী আর এসকী রিপোর্ট অদুনা হায়খি।



# প্রসিদেন্ট পুটিননা ওর্দর তৌদুনা এজেন্ট লিটভিনেনকো হাৎখিবনি : বৃটিশ ইনক্বাইরি

লন্দন, জন্যুৱারী ২১ ঃ

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা হান্নগী কে জি বিগী এজেন্ট অলেগজেন্দর লিটভিনেনকোবু হাৎনবা রসিয়ন ইন্টলিজেন্সনা চথখিবা ওপরেসন অমা এপ্রুভ তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংনা লৈ হায়না কুমজা ২০০৮কী মীহাৎতুগী মরমদা জজ অমনা লুচিংদুনা পাঙথোকপা বৃটিশ ইনক্বাইরি অমনা লন্দনদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিনগী পোলিসি প্রোগ্রামশিংবু তত্তনা ক্রিটিসাইজ তৌবা রসিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মশাগী চহী ৪৩ শুরবা লিটভিনেনকো অসি লন্দনগী নিংথিরবা মিলেনিয়ম হোটেলদা তাংনা ফংবা রেদিওএক্টিভ আইসোটোপ পোলোনিয়ম-২১০ হাপ্পা গ্রীন টি থক্লুবদগী শিখিবনি। হু পীথকপগী থবক অদু রসিয়াগী ফেদরেল সিক্যুরিটি সার্ভিস (এফ এস বি)না তৌখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হান্নগী কে জি বিগী বোদিগার্দ অন্দ্রে লুগোভোই অমসুং ফেলো রসিয়ন দমিত্রি কোভটননা পাঙথোকখিবনি।

সিনিয়র জজ রোবার্ট ওৱেনগী ইনক্বাইরি রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, রসিয়াগী ফেদরেল সিক্যুরিটি সার্ভিস অসি হান্নগী সোভিয়েট মতমগী কে জি বিগী মহুৎনি।

ঐঙোন্দা লৈরিবা ইভিদেন্স অমসুং এনালাইসিস পুম্নমক কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এফ এস বিগী লিটভিনেনকো হাৎনবগী ওপরেসন অদু পাত্রুসেভনা অয়াবা পীখিবদা নত্তনা প্রসিদেন্ট পুটিননসু অয়াবা পীখি হায়না ইনক্বাইরি অদুনা হায়খি। এফ এস বিগী ওপরেসন অদুবু এপ্রুভ তৌখি হায়রিবা নিকোলাই পাত্রুসেভ অসি হান্না এফ এস বিগী মকোক ওইরম্মী হায়রি।

প্রসিদেন্ট পুটিন মশামক অমসুং এফ এস বি য়াওনা পুটিন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীওইশিংনা লিটভিনেনকোগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনিংখি হায়বসি খঙবসিদা ঐহাক অপেনবা পোকই। মখোয়না অদুম্না হাৎনবা থৌরাং তৌখিবদুনা মমৈথংদা মহাকপু কুমজা ২০০৮কী অথেংবদা হাৎখিবনি হায়না ইনক্বাইরি অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ক্রেমলিন্নদি মীহাৎ অদুদা য়াওখিবা লৈতে, করিগুম্বা মওং অমত্তদা চেন্নবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। পনবা য়াবদি, লিটভিনেনকোনা শিরমদাইদা ফমুংদগী দিটেক্টিভশিংদা ফোঙদোকখিবা অমদা পুটিননা মহাকপু হাৎনবা হকথেংননা ওর্দর তৌখি হায়খিবনি।

লিটভিনেনকোনা শিখিবা অদুনা কোল্ড-ৱার মতুংদা এংলো-রসিয়ন মরীদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি অমসুং লৈবাক অনীগী মরী ফগৎপা লৈখিদে। রসিয়ানা ক্রিমিয়া লৌশিনবা অমসুং সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ শৌগৎপনসু লৈবাক অনীগী মরী অমুক হেন্না শোকহনখি।

লুগোভোয় অমসুং কোভটুন অনীমক্লা হান্ননা মীহাৎ অদুদা মখোয় য়াওদে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি অমসুং রসিয়ানা মখোয়বু থাদুনা ৱায়েল চথুহনবগী ৱাফম য়াদদুনা লৈরিবনি। মখোয়দা শিরিবা মরালদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ইন্টরফেক্স ন্যুজ সার্ভিসনা লুগোভোয়গী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।



# ইমুংগী থবক তৌবী ওৎপগী নুপী অমা জেলদা থাজিনখ্রে

সিঙ্গাপোর, জন্যুৱারী ২১ ঃ

থবক শুদুনা মতেং পাংহন্নবা থম্বা ফিলিপিনো নুপী অমবু খুবাক্লা থাই, খুৎ-শা শীজিন্নদুনা ফু-চৈবা তৌই হায়বগীদমক্তা মশাগী চহী ২০ শুরবী ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা নুপী অমা ঙসি সিঙ্গাপোরদা জেলদা থমখ্রে। ইন্দিয়ন নুপী অদু ফিলিপিনো নুপী অদুবু ওৎ-নৈবগীদমক্তা চয়োল অমা জেলদা লৈগদবনি হায়রি।

বিদ্যা জয়াশঙ্কর কৌবী নুপী অদু মশানা ফেমিলিগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংনবা থম্লিবা দোমেষ্টিক হেল্পর মৈজেল কাগাস লিমবাগাদা তৌগে মতাগুম তাথী-তাওই তৌদুনা শোকহনবগী মরাল লৈবগা লোয়ননা মহাক্না শোকহল্লিবা নুপী অদুদা কম্পেন্সেসন ওইনা সিঙ্গাপোরগী দোল্লর ৪,৮০০সু পীননবা ওর্দর তৌখি হায়রি।

লিমবাগানা জয়াশঙ্করগী ইমুংগী চাক ঈশিং থোংখি অমসুং অঙাংশিংবু য়েংশিনবীখি। ইমুংদুগী থবক শুবদা মহাক নোংমতা পোত্থাবসু ফংখিদে। হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা জয়াশঙ্করনা মশাগী চহী ৩১ শুরবা দোমেষ্টিক হেল্পর লিমবাগাবু খুবাক্লা থাখি অমসুং মঙকশম পায়খি হায়না ষ্ট্রেট টাইমসকী পাউ অমনা হায়রি।

মরাল লৈরবী নুপী অদুগা লোয়ননা মহাক্কী মপুরোইবা জনারুদানা জয়াশঙ্কর (৫২)বু কুমজা ২০১৪ দগী মখোয়গীদমক্তা থবক শুরকখিবা ফিলিপিনো অদুদা চৈনা ফাওহনবগী মরাল শীখ্রে।

মমাঙদসু মখোয় অনীনা নুংঙাইরক্তবা মতমদা নুপী অদুবু ফু-চৈবা তৌখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। নুপা অদুসু মহাক্কী য়ুমগী হেল্পর অদুদা ওৎ-নৈদুনা চৈনা ফাওহনখি হায়বা খঙবগা লোয়ননা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৯ দা মহাক্কী চৈরাক লাউথোকপা মতমদা মহাক্কী নুপীগা মান্নবা মরাল কয়াসু খঙহনগনি হায়রি।

কোর্টকী চে-চাংশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারী ২০দা নুপা অদুনা লিমবাগাগী টি-সার্ট ফুরিৎ পায়খি অমসুং অহিংগী মতমদা মহাক্কী মপুগী ফমুংদুদা চিংশিনখি।

নুমিৎ অদুগী অঙনবদা নুপা অদু হেল্পর নুপী অদুনা ইমুংদুগী ফ্রিজ অমসুং মাইক্রোৱেভ হাংদোক্লুবগীদমক নুংঙাইতবগা লোয়ননা নুপী অদুবু অচাপোৎ হুরাল্লি হায়না মরাল শীখি।

তুম্ফম কাদা মতৈ-মনাওনা হেল্পর নুপী অদুবু মমাঙদা তৌখিবা অরানবা কয়াগীদমক্তা মখুৎ-মশা শীজিন্নদুনা ফুখি অমসুং চৈ-থাংখি। নুপা অদুনা হেল্পর নুপী অদুবু মমায়দা খুবাক্লা থাখি, থজিন অমসুং মথবাক্তা খুতুমনা থিনখি। মতমদুদা মহাক্কী নুপীনা হেল্পর নুপী অদুগী মঙকশম পায়রগা লৈখি হায়রি। মতম খরা চৈরবা মতুংদা মতৈ-মনাওদুনা নুপী অদুবু মহাক্কী কাদা হলহনখি। হৌখিবা চহী মুকসিদা হেল্পর নুপী অদুবু অহুল্লক চৈনা ফাওহনখি হায়বা নুপা অদুনা য়াজখি।

লিমবাগাবু ফু-চৈদুনা ওৎ-নৈবী হায়বসি অতোপ্পা ফিলিপিনো অমনা মহাক্কী মমায়, থবাক্কী এরিয়া, পাম্বোমদা তারিবা শোকপগী মমিশিংদগী খঙলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারী ১৫দা পুলিসতা রিপোর্ট তৌখিবনি।

# চাইনাগী কিনঘাই প্রোভিন্সতা য়ুহা হাখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২১ ঃ

ঙসি মেগনিচ্যুদ ৫.৯ ওইবা ময়াই ওইরপ কনবা য়ুহা হাবা অমনা চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা কিংঘাই প্রোভিন্সপু নিকহনখ্রে। য়ুহা হাবা অদুনা মরম ওইদুনা তুম্বদগী মীৎকপ থোক্লকখিবা মীশিংনা ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লক্লখি অমসুং মীওই কয়া অমনা কিমনখিদুনা সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ২০ ঈংবা মতমদুদা কার মনুংদা তুম্বা থেন্নখি হায়রি।

য়ুহা হাবা অদু লোকেল টাইমদা নোংয়াই মতুং পুং ১.১৩ দা কিলোমিটর ১০ লুবা মফমদা থোকখিবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখি। ঙসিগী য়ুহা হাবা অদুদা মীশি-মীনা অমসুং অশোক-অপন থোকপগী পাউদি খুদক্কী ওইনা ফংখিদে। চাইনাগী আর্থক্বেক নেটৱার্ক সেন্টরনদি য়ুহা হায়বদু রিক্টর স্কেলদা ৬.৪ য়ৌই হায়না ফোঙদোকখি।

অহানবগী য়ুহা হাবদুগী মতুংদা মেগনিচ্যুদ ৩.৪ গী অফটরসোক অমসু মিনিট খরা লৈরগা থোকখি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী জিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট মিদিয়া অমসুং য়ু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেগী মতুং ইন্না, য়ুহা হাবদুগী ইপিসেন্টরদি প্রোভিন্সল কেপিটেল সিনিংদগী কিলোমিটর ১২৩ লোম লাপ্পা লৈবা মেনয়ুআন কাউন্টিদনি। য়ুহা হাবদুদা য়ুম-কৈশিং নিকখিবগা লোয়ননা মফমদুগী মীওইশিং মীৎকপ থোক্লখি অমসুং মীওই কয়া মপানদা চেন্থোক্ল খি হায়রি।

মিনিট অমদগী অনীরোম নিকখি অমসুং নিক্লগা ঙংবগী মখোলসু য়াওখি হায়না মা ৱুলোং কৌবা মেনয়ুআনদা লৈবা মীওই অমনা জিনহুৱাদা ফোঙদোকখি।

খংনিক নিক্লকপদগীঐহাক তুল্লম্বদগী হৌগৎখি হায়না হান কৌবা নুপা অমনা প্রোভিন্স অদুগী কেপিটেল সিনিংদা ফোঙদোকখি। টেবল অমসুং পোৎ-চৈ থম্ফম খুদিংমক কন্না নিক্লকখি, মরম অদুনা ঐনা খুৎলৈ থুনা ফীরোল শেৎচিল্লগা মপান্দা চেন্থোরকখি হায়না মহাক্না জিনহুৱাদা ফোঙদোকখি।

চাইনাদা য়ুহা হাবা তোয়না থোকই, তৌইগুম্বসুং অয়াম্বনা মিচুয়ান অমসুং য়ুন্নান হায়রিবা প্রোভিন্সশিং অসিদনা হেন্না চাং নাইনা থোকই হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবরদা চাইনাগী ম্যান্মার অমসুং লাওজগা লোন্নবা ঙমখৈগী মনাক নক্লা য়ুন্নান প্রোভিন্সতা থোকখিবা মেগনিচ্যুদ ৬.০ কী য়ুহা হাবা অমদা মীওই চা কয়া অশোক-অপন থোকখি অমসুং মীওই ১০০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ লৈহনখি।

কুমজা ২০০৮কী মেদা সিচুয়ান প্রোভিন্সতা থোকখিবা মেগনিচ্যুদ ৭.৯ গী য়ুহা হাবা অমদা মীওই ৮০,০০০ হেন্না শিখি অমসুং প্রোভিন্স অদুগী মফম কয়া লৈতেম মান্নখি। মদু চহী ৩০ হেনবগী মনুংদা চাইনাদা থোকপা খ্বাইদগী শাথীবা য়ুহা হাবা ওইখি।

# টাইৱানগী মীখল মতুংদা চাইনানা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২১ ঃ

মশানা লৈঙাকচবা টাইৱানগা মায়োক্লনা লৈবা সীটি অমদা বেজ তৌবা চাইনিজ মিলিটরি য়ুনিট অমনা অশেংবা নোংমৈ কাপ্পগী এক্সর্সাইজশিং অমসুং লেন্দিং দ্রিলশিং পাঙথোকখ্রে হায়না টাইৱানবু নিংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইহনবা পাম্বা ওপোজিসন পার্টিনা ঈথৎ অদুগী মীখলদা মায় পাকখ্রবা মতুং নুমিৎ খরগী তুংদা ষ্টেট টেলিভিজননা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা টাইৱানবু তঙাই ফদ্রবদি ফোর্স ফাওবা শীজিন্নরগা কন্ট্রোল তৌবা চঙবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌই। চাইনাগী সিভিল ৱারগী মতমদা মায়থীবা নংখিবা নেসনেলিষ্ট ফোর্সশিং কুমজা ১৯৪৯দা চাইনাদা চেনখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা শন্দোকখিবা ষ্টেট টেলিভিজনগী মিলিটরি চেন্নেলগী প্রোগ্রাম অমদা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, চাইনাগী সাউথ ইষ্টর্ন সীটি জিয়ামেনদা বেজ তৌবা ৩১শুবা গ্রুপ আর্মিনা দ্রিলশিংদু হন্দক নুমিৎ খরসিদা পাঙথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং চেন্নেল অদুগী পাউদা দ্রিল তৌখি হায়রিবদুগী চপ চাবা মফমদি তাকথোকখিদে।

মিলিটরি চেন্নেলগী প্রোগ্রাম অদুদা ঈশিং-কংফাল অনীমক্তা শীজিন্নবা য়াবা অরমর্দ ভেহিকলশিংনা ঈশিংদগী কাখৎলগা লেন্দিং স্পোট অমদা থুংবা, হেলিকোপ্টরশিংনা ঈশিং মনাক্তা লৈবা টার্গেটশিং তম্না মিসাইলশিং কাপ্পা অমসুং লান্মীশিংনা পেরাচুৎশিং শীজিন্নদুনা হেলিকোপ্টরদগী তাবনচিংবা কয়া উৎখি।

রিপোর্ট অদুনা টাইৱানগী মীখলদি অতম্না পনখিদে। ওইরক্লিবা ফীভমদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনবা হায়বদা চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ওইরক্লিবা ফীভমগী পাউ পুম্বা খঙই হায়না ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং মখা তাবা কম্মেন্টদি পীখিদে।

জিয়ামেন হায়রিবা চাইনাগী সীটি অদু টাইৱানগী হেক মায়োক্লবদা অমসুং কুমজা ১৯৪৯ দগী টাইৱাননা কন্ট্রোল তৌরকপা ঈথৎ কিমনেনগা নক্লনা লৈ। কুমজা ১৯৭০ গী চহী খরা ফাওবা টাইৱাননা পায়শিন্দুনা লৈরিঙৈদা চাইনানা ঈথৎ অদুদা চাং নাইনা নোংমৈ কাপশিনখি হায়রি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনশিংদা সাই ইং-ৱেন অমসুং মহাক্কী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিনা মপুং ফানা মায় পাকখিবদগী চাইনানা ঈথৎ অদুগী ওথোরিটিশিংদা নিংখা তম্বগী লম্বীদা খোঙ অমত্তা থাংজিনদনবা চেকশিন্না হায়খিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী সোভরেন্টি ঙাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

মীখলদা চাউনা মায় পাক্লবা সাইনা টাইৱান ষ্ট্রেটতা চাইনাগা তংদু লৈতানা লৈমিন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। চাইনাগী ষ্টেট মিদিয়ানসু টাইৱাননা চাইনাগা হৌজিক লৈরিবা ফীভমদু করিমত্তা কায়হন্দনা চৎমিন্নবা হোৎনগনি হায়বা সাইগী ৱাফমবুসু লুনা লৌবা উৎখি। মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওইরিবা চাইনাগী মিলিটরিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা টাইৱান ষ্ট্রেটতা থাঙ্গৈশেংনা নোংমৈ কাপ্পগী দ্রিল মঙারক পাঙথোকখি, তৌইগুম্বসুং টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনদি দ্রিলশিংদু রুটিন এক্সর্সাইজশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কেনয়াগী টুরিষ্ট টাউনদা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে



নাইরোবি, জন্যুৱারী ২১ ঃ

ঙরাং অয়ুক কেনয়াগী কোষ্টেল টাউন মালিন্দিদা টেররিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই মরি পুলিসনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসকী পাউনা হায়, পুলিসনা কাপ্পদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মকোক্তা দোল্লর ২০,০০০গী মনা লাউথোকখ্রবা খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইবা ক্রিমিনেলশিংগী লিষ্টতা য়াওরবা সুলৈমান মহমদ অৱাধসু য়াওরি।

ক্রিমিনেলশিংগী লিষ্ট অদু হৌখিবা ২০১৫গী এপ্রিলদা কেনয়াগী গারিশা য়ুনিভর্সিটিদা শেবাব মিলিটেন্টশিংনা মীওই ১৪৮ হাৎখিবা মতুংদা থোকখিবনি।

টেররিষ্টশিংনি হায়না চিংনবশিং (সস্পেক্টস) অদুনা ঙরাং অয়ুক অঙনবদা ইটালিয়ন লমকোয়বশিংনা পাম্না লাক্লবা টুরিষ্ট টাউন অদুদা ওফিসরশিংদা গ্রেনেদ অমা লংশিনবগা লোয়ননা নোংমৈসু কাপশিনখি "টেররিষ্টশিংদু খুৎলাই মতিক চানা পায়রকখি অমসুং মখোয়না ঐখোয়গী ওফিসরশিংগা কাপ্ন খি অমসুং মমৈথংদা মখোয় মরি নোংমৈনা পান্দুনা ফীভম লুনা শোকপদগী শিখি হায়না মালিন্দি পুলিসকী চীফ মাতাৱা মুচাঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

অৱাধ কৌবা মশাগী চহী ২৫ শুরবা মফমগী মীওই অমা শিখিবশিংদুদা য়াওই হায়না পুলিসনা মশক তাকখ্রে। মালিন্দি এয়রপোর্টকী মনাক্তা লৈবা বারাগী য়ুম অমদা রেইদ চথখিবা অদুদা অশোক-অপন নংখিবা অতৈ সম্পেক্ট অনীসু মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না পুলিস চীফনা মখা তাখি।

থৌদোক্তু থোকখ্রবা মতুংদা পুলিসনা য়ুম অদুদগী খুৎশু খুৎলাইশিং অমসুং মোবাইল ফোনশিং লোয়ননা অল কাইদাগী ইষ্ট অফ্রিকা এফিলিয়ট সেবাবতা ফন্দ পীবীনবা হায়জবা চেরোল অমসু ফংখি। পুলিস ষ্টেসন, সুপর মার্কেট অমা অমসুং লমকোয়বশিংনা য়াম্না পাম্নবা মেরিন পার্ক হাইলাইট তৌবা মালিন্দিগী মেপশিংসু য়ুম অদুদা লৈরমখি হায়রি।

পুলিসনা ওপরেসন মায় পাক্লা চথবা ঙম্লিবদু মীয়াম্না কোওপরেসন পীবদগীনি হায়না মুচাঙ্গিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মতম খরসিদা কোষ্টেল লমশিংদা কৈইবদা চেকশিন্নবা ৱার্নিং কয়া তৌবা অমসুং মফম কয়াদা টেররিষ্ট এটেক কয়া চথবনা মরম ওইদুনা মীরৈবাকমচাশিং নিংহন্নবা পোকপদগী কেনয়াদা টুরিজম ময়াই চাইথবগী ফীভম লাকখি।





ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)

BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS

Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)



PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG

ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)

- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Seats are limited

Classes commencing from 28th January, 2016

For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356

HL-B/2915/22/01-6/02



Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

Only at Rs. 5699/-

- Android 5.1(LOLLIPOP)
- Ultra Compact, Ultra slim
- 5" FWVGA Display
- Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
- 5MP FF + 2MP
- 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

4G
2300mAh

HL-B/2895/13/01-12/02